# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১২৯

ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম

মণিপুর তশেংনমক মুন্না খন্থরুরবদি হিংবগী ৱাহন্থোক লৈশিল্লক্লে। মপানথোংদা ফজনা উজরবসু মনুংদি তশেংনা শোকচিনবা য়াবা শোক্লে। করম্বা মতমদা করম্বা পুংফমদা অফবা অচুম্বা অশেংবা লাক্কদগে হায়বসি থাজবগী ৱাংমদা লৈরে। মমাঙথক্কী কোংগ্রেসকী শাংলবা চহী কয়াগী লৈঙাক্তগী নাথৈরক্তুনা অনৌবা লৈঙাক অমা লৈরে। তশেংনমক বি জে পি লৈঙাক অসিমক লমদমসিগী মীয়াম্না মতম শাংনা চহী কয়া কোংগ্রেসকী মীহাৎ মীপূন, মীফা অসিদগী নান্থোকপা পাম্বদগী অওনবা অহোংবা লৈঙাক অমা য়েংনীংবগী ঈথক ঈপোম অমা মীয়ামদা ফাওরকপা লুরবা তাঙ্কক অমদা বি জে পিগী ঙসিমক ইন্দিয়াগী লুচিংবা ওইরিবা মোদিনা ইম্ফালদা লাক্তুনা ৱাজাও কয়া ঙাঙলম্বা কোংগ্রেসকী চহী কয়াগী লৈঙাক্কী মতমদা লালহৌবগী নামাদা মীচম য়াওনা মীওই ১৫০০গী মথক্তা হাৎখিবা। মসিগী মথক্তা তোম্বীস্না স্কুল কেম্পসতগী মীকোক কয়া ফংখিবা, শেঞ্জা থুমজাগী কল্লবা ঈথক ঈপোমদা মণিপুর মীয়াম অঙকপা ফংনা ৱানখিবা কয়াদুনা মরম ওইরগা শ্রী মোদিনা লাংজিং চীংগী চীংমাংদা মখৌ পোংনা অচুম্বা ৱায়েল, অচুম্বা লংলা লংজিন, অরোন অথুম কয়া মরূ ফংনা মাঙহনগনি, মরাল লৈবশিং মতিক চাবা চৈরাক শোয়দনা বি জে পি লৈঙাক লাক্লবদি মীয়ামদা মশক থোকপা থবক ফজনা পাঙথোক্কনি লাউরম্বা মতাংদুদা মণিপুর মীয়ামগী থম্মোয়দা অকনবা ঈথিল অমা লাকখিবগা ইরোয়ননা ইথা থাজদনা মণিপুরদা মরূ ফাওবা হুল্লমদবা বি জে পি পার্টি অদু খাঙুথক্তগী মেম্বর ২২ কাজবা ঙমখিবনি। অদুম ওইনমক লাইনা য়াদবদগী মতম শাংনা অৱাবা খাঙলক্লবা, চহী কয়া মীওৎ মীনৈ তৌরক্লবা, কোংগ্রেসনা ৬০গী মনুংদা ২৮ ভোট কারককখিবা অদুবু পোলিটিক্সকী ঙমজবা নম্ফুগী লাং থাক্তুনা চোইখোম খোমজিন্দুনা ইন্দিয়াগী মনুংদা অমুক্তা তানখিদ্রবা ৬০গী মনুংদা ২২ কাবনা লৈঙাক পুরকখিবা বি জে পি লৈঙাকনি। কোংগ্রেসকী লৈঙাক্কী মতমদা নুংথিল পোবোবতা ইম্ফালগী মনুংদা রবিনা-সঞ্জিব হাৎখিবা ঙসি ফাওবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা খঙনা খঙনা মরাল লৈবশিংবু চৈরাক পীবা ঙমদবসি ওন্থোক্লা লুম্না মীয়াম্না খনদবা নত্তে।

ঙসিদি মণিপুরদা বি জে পি লৈঙাক চহী অনী ফাজিল্লক্কদৌরে। মসি ফাওবা নহারোল ১৫০০গী মথক্তা হাৎখিবা মরাল লৈবা-লৈতবা মীয়াম্না খঙনবা ঙাক্তনি। মীয়ামগী থম্মোয়দি পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা শুম্বা খক ঙল্লোই। মসিগী মথক্তা বি জে পনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা তাবদা নুংঙাইরবা, ফজ-ফজরবা ৱাফম কয়াদি নোংমগী লেপ্তুনা মিদিয়াদা শন্দোরকই। চীংদা চৎসি, খুঙ্গংদা চৎসি মসিমুক ফজবা, মসিমুক তাবদা হরাউদবা মালেমসিদা লৈরমগনি নীংদে। চীংদা কয়ারক চৎখ্রে, খুঙ্গংদা কয়ারক চৎখ্রে। চীংদা করি অওনবা অমদি খুঙ্গংদনা করি অহোংবা লৈরবগে হায়বসি মীয়ামগী ৱাহংনি। খুঙ্গংগী লম্বী থোং, ইথৈ-লৌখোং কদাই কদাইদা শেমগৎপীরিবগে? ঙসিদি খুঙ্গংগী লমলেম-লমহাং কদাইদা লৈরি। খুঙ্গংগী ঈথৈ লৌখোং ফুমজিন্নরকপা নোংমা নোংমগী হেনজিল্লকই। চীংগী লমদা ঐখোয়গী লমদম খোপচিল্লকপগী ৱাথোক খাদা, অৱাংদা হেনজিল্লকই। মসিমক কৈদৌনুংদা লোৎপা য়াররোইদবা ঙাক্তনি। মসিগী মথক্তা ইম্ফাল সহরদা করি অওনবা অহোংবা খুদম চাংদম মপূং ফানা উৎপা ঙল্লবগে হায়বসিসু মীয়ামগী থম্মোয়দা লেংদনা হংনরিবা ৱাহংনি।

ইন্দিয়াগী মনুংদা মণিপুরগুম্বা শোত্থবা ষ্টেট লৈরমগদৌবা মান্দে। মতম অমদা শেঞ্জাও পায়বা মীয়াম্বু হৈ-রা লৈবগুম লৈবা ঙম্বসি কোংগ্রেস মতোমতা ওইরম্বদগী শেঞ্জাও পায়বা পোলিটিকেল পার্টি অমসু মীয়াম মাঙদা চোঙথোরল্লক্রা হায়বসিসু মীয়ামগী ৱাহংনি। ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা ঈথক ঈরাং ঈপোম ময়েক শেংনা মকা লাম্না ফোঙদোক্লরক্লে। মসিমক হন্দক্কী ষ্টেট খরগী ইলেক্সন অসিনা অনৌবা পাড়া খরদি ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা শন্দোরক্লগনি। মমাঙথক্কী ইলেক্সন অদুদা লুপা ২০০০ য়েল্লহন্দু হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদা শেঞ্জাও পায়বা পার্টি অনী কোংগ্রেস, বি জে পিনা শেলগী লাংদা মীচম মীয়াম ইঙাও ঙাওনরমদনীংঙাই লৈতে। মদু ঙম্নমক শেঞ্জাওগী লাংনা থদৎখিদুনা মীয়াম মরক্তা চরাংনবা লৈতবসু নত্তে। ঙসিমক ইলেক্সন থেংনরিবা পোলিটিকেল পার্টি অসি থাজদনা ইলেক্সন খুদিংগী নোংম-নোংমগী শেঞ্জাও থাদবা ঙমদবা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক নুংশা মঙালদা লেন তুম্বগুম তুমশিল্লক্কদৌরি। মসিমক দেমোক্রেসিদা খ্বাইদগী চাউরবা অৱাবা অমনি।

মসিগী মখা তরাকপদা কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা এম পি ইলেক্সন মমাঙসিদা মণিপুরদা মপূং ওইনা থেংনগদৌরিবসি বি জে পি অমদি কোংগ্রেসনি। মরম অদুনা মণিপুরগী মীয়াম, চীং তম খুদিংমক্তা বি জে পি অমদি কোংগ্রেসকী শেঞ্জাও পায়বগী মরমদগী লায়রবা পোলিটিক্সপু পামজবা কয়ানা করিবু তৌজবা ঙমগদৌরিবা? মসিগী মরমদা লেপ্তুনা য়েংলিবা পোলিটিকেল পার্টি মচা মচাশিং মথংগী চহীগী এম এল এগীমক খোঙফম শেন্নদবা নত্তে। মখৌ পোংনা লাউরিবা বি জে পিসু হন্দক্কী ২০১৯গী এম পি ইলেক্সন অসিদা অনৌবা পড়া খরদি শোয়দনা তমজনফম ওইগদৌরি। তশেংনমক হন্দক্কী শ্রী বিরেনগী ফজ ফজরবা ৱাখল খরদি লৈতবা নত্তে। অদুম ওইনমক চীনগা খূৎকা চৎমিন্নদ্রবদি ঙাঙনরিবা খুদিংমক অরেম্বা ওইগনি। মপূং ওইনা মমাঙথক্কী মীহাৎকী অচুম অরান ময়েক শেংনা পুথোক্তুনা উৎপা তঙাইফদে। মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা অনিংবা খরা কুমজা ২০১৯গী ইলেক্সন মমাঙদা পুথোক্তুনা মরাল লৈবশিং মরালগী চৈরাক পীবিয়ু।

ঙসিগী বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা মীয়াম্না কউনখ্রবা মীহাৎ মীপূনগী কেস কয়াদি পুথোরক্তুনা মীয়ামদা খঙহল্লি। মসিমক মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টিদা নত্তনা মীচম মীয়ামসু ইখঙ খঙনখ্রবা ঙাক্তনি। অদুবু হৌজিক হৌজিক্কী মীয়াম্না ফোঙ ফোঙ শানা ঙাঙনরিবশিং অসিনা ফুমজিন্দুনা থল্লগা চহী কয়াগী মমাঙগী কেস কয়া পুথোরক্লিবসিনা ঙসিগী ফোঙ ফোঙ শারিবশিং কুপশিন্নবা শরৌ লাং থাক্লিবরা। হন্দক্কী শ্রী বিরেনগী মতমদা পুথোরকখিবা পুলিসকী পেটিগী ৱাথোক, বজার মনুংদা সী সী টি ভি খিনখিবনচিংবা ময়াম অমা লৈখ্রে। মণিপুর মীয়ামগীদমক লোক্তাক শেংবগী থাদরকপা শেলয়াম কদোমদা চৎখ্রে। মীয়াম্না য়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরিবা লালহৌবগী নামাদা হাৎখিবা মীওই ১৫০০গী ৱাথোক, তোম্বীস্না স্কুলগী কমপ্লেক্সতগী ফংখিবা মীকোকশিংগী ৱাথোক, ঙসি ফাওবা হিংলি-শিখ্রে খঙদনা লৈরিবা কেস কয়া রবিনা-সঞ্জিবকী কেস ময়েক শেংনা পুথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনবীরবদি বি জে পি লৈঙাকপু মীচম মীয়াম্না শোয়দনা থাগৎনগনি। মীয়াম্না থাগৎনরিবা অসিগী মথক্তা চীনগা খূৎকা মান্নহল্লবদি ঙা থোংবদা থাও থাকপগুম্বনি। পোলিটিকেল পার্টিশিংবু মীয়াম্না থাজনদ্রিবসি হন্দক্কী শ্রী বিরেনগী লৈঙাক অসিনা অনৌবা পোলিটিক্সকী পুৱারী অমা মণিপুরদা থম্বীদুনা অচুম্বা অশেংবা খরদি ঐগী মীগী নাইদনা থম্মোয় শেংনা থবক পায়খৎপীয়ু। মণিপুরগী নহা ওইরিবা মীশক অমা ওইনা মীংচৎ উরোং থমদুনা পুৱারী শেম্বীরম্মু। অচুম্বা অওনবা অশেংবা শক্তম অমগীদমক ২১শুবা চহী চাসিদা নেতা ইরাবতকী মীংচৎকুম অচুম্বগীদমক লায়রবা মীয়ামগীদমক অনৌবা লম্বী অমগী য়ূম্ফম থোনবীরম্মু। মপূং ওইনা ঐ ইতোমতা থম্মোয় শেংলগা অফবা খক ওইরোই। নুংঙাইমিন্নবা হায়বসি ইমুং মনুং পূন্না নুংঙাইমিন্নবদুনি। শেঞ্জা থুমজা লৈতবা লৈঙাক অমগীদমক অনৌবা পুৱারী শেম্বীরম্মু। মণিপুর মীয়াম ৱাবগী খম থেংলে। মসি কোক্লবা মীয়ামগী অপাম্বা অনীংবা থুংহনবা ঙম্বা লুচিং পুরেল ওইবিরম্মু।

মপূং ওইনা পোলিটিক্সকী ৱাজাও ঙাঙবা থাদোক্লরগা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগীদমক কৎথোকপীয়ু। থম্মোয় শেংবা হায়বসি ইশা ইশামক থবক ওইনা পাঙথোক্লসি। নুংশিৎ শিৎতনা উনা খক লেংদে। শেঞ্জা থুমজা হায়বসি শেল লৌবনা খক হায়দোক্লদে। ইশা ইশাগী ওইজনবা শেল পীরুবা মীশক মীওই অদুনা হায়দোক্লবনি। হন্দক্কী শ্রী বিরেনগী বি জে পি লৈঙাক অসি শেঞ্জা থুমজাগী ৱাথোক ইতা তান্নদে। মসিমক অচুম্বা ওইরসনু। ঙসিগী মীয়াম্না কুমজা ২০১৯গী এম পি ইলেক্সনগীদমক খৌরাংনা ঙাইনরি। ইন্দিয়াদা ওল্লবসু মণিপুরদা ওন্দবা য়াই। মণিপুরদি ওন্ন-তৈনবদা হৈনবা লমদমনি। অদুবু অচুম্বা অশেংবগীদমক মীয়ামসু খৌরাংনা য়েংনরি। মণিপুরগী পোলিটিক্সতি পূম্নমক্তগী পুমতোপ তোপ্পনি। শেলনা মীয়াম্বু খুদুম চনবা, শেঞ্জাও পায়বশিংনা মীয়াম্বু হুমদুনা পুবগী চৎনবীসি মরূ ফংনা মুখৎত্রিবমখৈ মীয়াম ৱাবা তাবনি। ৱার-ৱারগা ৱাখল তাবগী মহুত্তা ৱার-ৱারগা ৱাখল মাঙশিল্লকইবসি ঐখোয় পূন্না খন্থমিন্নবা মতম ওইরে। অৱাবা মচা লেম্না মাঙদে, শিরগা তকসি শোঞ্জবনি।⏮

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মণিপুরগী 'মালেম ঙানবি' অমসুং 'মালেম থোইবি'

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুর ইমাগী অশেংবা মমোমলোই ইচন ইবেমা লাইশ্রম সরিতা অমসুং মেরি কোম অনীমক্কী হৌজিক ফাওবগী পুন্সি ৱারী অসি মণিপুর অমসুং ইন্দিয়াগী লৈবাক মীয়ামদা নত্তনা মালেগী অতৈ লৈবাকশিংনসু শীনবা থুংনা খঙনরিবনি। হন্দক্কী কুমজা ২০১৮দা ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দেল্লিদা পাঙথোকখিবা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা মখোয় অনীনা তোঙান তোঙানবা ৱেট কেটেগোরিগী শান্নবগী বাউটকী টাইম সেদ্যুল অদু মতম চানা খঙহৌদবদগী অহানবা অমসুং অনীশুবা বাউট অদু য়েংবা ফংহৌখিদে। শান্ন-খোৎনবসি য়াম্না পামজরুবনা মতম খরা মাঙথোক্লগা টি ভিগী নেসনল স্পোর্ট চেনেলশিংদা য়েংবোই তাবোই তৌদুনা কন্না থিজ-হুমজবদগী চেম্পিয়নশিপ অদুগী টাইম সেদ্যুল অদু উচিন নাচিন্না থেংনবদগী মখা তানা মখোয় অনীমক্কী বাউটশিং অদু উবা ফংখি।

ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদু য়াম্না খোয়দানা য়েংজরুরগা লাইবক থীবদগী অসুম থোকউ হায়দুনা ইচন ইবেমা সরিতাদি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমদনা লৈহৌখি। থাজদনা মতম অমদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরল্লবা মহাক্লা ঙন্তানা মায়থীহৌবা অদুদা য়েংলিবা ঐখোয়না করম্না হরাউ নুংঙাইগনি। অদুম ওইনমক অসিগুম্বা য়াম্না চাউবা চেম্পিয়নশিপ অমদা শান্নবা য়াওবা ঙল্লিবসিমক য়াম্না লাইবক ফবা অমসুং মায় পাকপগুম চাউথোকচনিংঙাই ওইরিবনি। মায়থীরবা শান্নরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী অশোয়বশিং অদু ময়েক শেংনা মমুৎ তানা খঙহৌবা হায়বসি মতুংগী মায় পাক্লবগী লম্বী শেল্লিবনি। অদুনা মায়থীজরবসু ৱাখল লৈবা থৌনা লৈবা শান্নরোয়শিংনা নীংহন্নবগী মহুত্তা মখোয়গী শোয়খিবশিং অদু খঙহৌরে হায়দুনা হরাউদুনা মখুৎ থাঙ্গৎপা য়াওরিবনি। হকচাংগী পাঙ্গল, লৌশিং, ফুটৱার্ক, হকচাংগী রিয়েক্সন টাইম খরা হেন্না ৱাংবা নৎত্রগা ৱাংবা মান্নবা নৎত্রগা করা নেম্বা ওপোনেন্টকা থিন্নবগী টেক্নিক, করম্বা মতাংদা এটেক নৎত্রগা দিফেন্দ তৌগনি, ওপোনেন্টদা করম্বা মীৎয়েং য়েংগনি, করম্বা খোঞ্জেল শীজিন্নগনি, রিংগী কাচিন কোয়া শীনবা থুংনা করম্না কিন থিন্নগনি, থিন্নরিঙৈ মনুংদা করম্না মেন্টেল কন্সেনট্রেসন অমসুং রিলেক্সেসনগী টাইমিং লৌগনি অসিনচিংবা মতাংশিং অসিদা অশোয়বা অরানবা লৈখিব্রা হায়বসি ইচন ইবেমা সরিতানা হৌজিক্তি শোয়দনা খঙলম্লগনি। অসুম্না পোবা অমসুং থোইবা অনীসিদগী পাড়া তম্নহৌরিবনি। শান্নবা হৌরমদাইদা অমসুং লোইরবা মতুংদা শান্নরোয়শিংনা অমগা অমগা খূৎ শোক্লদুনা লম্বীদা করিদা পংশান-শান্নবা, পংফু ফুন্নবগী মহুৎতা ফজখ্রবা স্পোর্ট দিসিপ্লিন অমগী মখাদা শান্নসি হায়দুনা শকখঙ মায়খঙনরিবনি। শান্নবা লোইরবা মতুংদনা শোয়নখিবা লানখিবা কয়া য়াওনখ্রবসু ৱারৌনবা তৌনদনা মরুপ ওইবগী ৱাখল্লোন্দা ঙাকপিহৈবা অমসুং নুংশিবা উৎনদুনা অমগা অমগা খূৎ শেক্লবা নৎত্রগা লেঙ্গোন্নদুনা ইকায়খুম্নবা উৎনরিবনি। ইশামকসু ইচম চম্বা শান্নরোয় অমা ওইবনা শান্ন-খোৎনবগী থবক অসি মালেমগী থাক য়ৌনা শান্নগে হায়রগদি ফাগিকা য়াবা অরাইবা থবক ওইরমদ্রে হায়বসি চপ চানা খঙই। গ্রাসরুট লেভেলদগী হৌদুনা শান্নরোয় ওইরক্কদৌরিবা অঙাংশিংগী অপাম্বা মশান্না অদুগা চান্নগদ্রা নৎত্রগা চান্নরোইদ্রা হায়বনচিংবা খরদং পল্লবদা হকচাংগী শকওং শাদা, এনাটোমিকেল ষ্ট্রকচর, জেনেটিক ক্বালিটি, টেলেন্টনচিংবা থিদোকপা তঙাইফদে। মতিক চাবা টেক্নিক কোচ, ফিজিকেল ইনষ্ট্রক্টর, স্পোর্ট মেদিসিন, স্পোর্ট সাইকোলোজিষ্ট, ফিজিওথেরাপিষ্ট, ডায়েটিসিয়ান অসিনচিংবা চঙগদৌরিবনি। মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগা লোয়ননা অতৈ তঙাইফদবা পোৎলমশিংসু থম্বীগদবনি। শান্নরোয় অমগী পুন্সিদা য়াম্না অমুক মরু ওইরিবসি মতম্নি। এক্সেস্পেটসন খরা নত্তনা মশাগী চহী ৩০ য়ৌশিল্লক্লবদি ফনা য়াম্না এক্সপিরিয়েন্স লৈ । মতম শাংনা শান্ন-খোৎনবা য়াওরবসু চেম্পিয়ন ওইবদি ফনা ৱানা থোক্কনি।

মপুন্সিদা চেম্পিয়ন ওইরিবা মীশিং অসি লাইবক য়াম্না ফবা, মপোক ময়িদা পীথোরল্লবা দাও লৈগনবা মীওইশিংনি হায়নবসু য়াওদবা নত্তে। মখোয়শিং অসি লাইবক য়াম্না ফবা, অহৈবা অকনবা অমসুং অশিংবা শক্তুনা মনা-মথুম ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইরিবা মীশকশিং অদুনি। অমরোমদা শান্নরোয় খরনা হোৎনবা য়াবা হোৎনদুনা শান্নদৌ শান্নরবা মতুংদা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমদনা লমখাংদা লৈহৌনরিবনি। অসিগুম্বা মরাইবক্তা থম্বাল শাৎপা ঙমহৌদ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি পুন্সিগী লেমহৌরিবা শরুক খরা অদু করিনো অমা তৌদুনা অনৌবা পুন্সি মরেল অমা থিবা তারকই। লাইবক ফবা সাইন্টিষ্ট খরনা মপুন্সিদা নোবেল প্রাইজদি ফংবা ঙমহৌখিদবা নোঙ্গাখিবনা হানখ্রবা অদুগুম্বা সাইন্টিষ্টশিংনা হিংলিঙৈদা তূম্বা চাবা খঙদবমখৈ হোৎনুদনা থমজরম্বা সাইন্টিফিক দাটাশিং অদু মখা চত্থবা ওইনা নৈনবদগী রিছার্স চেম্পিয়ন ওইদুনা নোবেল প্রাইজ ফংখিবসু য়াওরিবনি। দাও লৈবা মপোক ময়ি ফবগী খুদম অমনা এন বিরেন হায়বা ইচম চম্বা ফুটবোল শান্নরোয় অমনা তাইবঙদা চীফ মিনিষ্টর ওইরক্কনি হায়বদি লায়রদনা মমঙদা ফাওবা চীফ মিনিষ্টর ওইরল্লোই। অদুবু ঙসিদি পোলিটিকেল গেমদা মপা লৈতনা বাউট কয়া থোইরক্তুনা অনৌবা মতিং লৈবা পোলিটিকেল চেম্পিয়ন অমা ওইবদগী লমদম অসিগী লৈবাক মীয়াম্না মহাকপু ইকায়খুম্নজরিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর হায়না থাগৎনরিবসিনি। চীফ মিনিষ্যর ওইনিংবা কয়া অমা ফনা কন্না হোৎনজরবসু খূবাক ময়িদা য়াওরক্তুবদি পাম্বৈ লৈবা জাৎ নত্তে। মতাং অসিৱাইদা হায়জনিংবা অমনা ইকায়খুম্নজরিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনসু মতম শাংনা চীফ মিষ্টির ওইবা ঙম্বীদুনা অনৌবা পুৱারী অমা শেম্নবা, ইরমদম অসিগী অখাং কনবা, মমিৎ মনা শিংবী, খোঙ-খুৎ য়াঙবী অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন তরুক্লক ওইদুনা পুৱারী অমা শেম্বা ঙমখ্রবী ইচন ইবেমা মেরি কোম্না বোক্সিং রিংগী কাচিন কোয়া শীন থুংনা চেন চোঙদুনা লম হেঞ্জল্লক্লিবা ওপোনেন্ট অদুবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী রিংগী এরিয়া অদু ঙাকপা ঙম্বগুম, ইমা লৈবাক মণিপুরগী লম হেঞ্জল্লক্লিবা য়েক্লবশিংবু মায়থীবা পীদুনা ইমা লৈবাক অসিবু ঙাক শেনবা ঙম্নবা চহী নৌরিঙৈদা লৈঙাক্লোনগী অনৌ-অনৌবা টেক্নিকশিং প্রাকটিশ চত্থবা তঙাই ফদে। লৈঙাক শোনবা, শেম্মীৎলোন ফত্তবা, স্পোর্ট কলচরসু কয়া লৈতবা পংচাউ চাওখত্রিবা লৈবাকশিংদদি মতিক চাবা স্পোর্ট পোলিসি থম্বা ঙমদবনা মরম ওইদুনা শান্ন-খোৎনবগী থাক অসি চাংচত্তা য়াম্না নেমই। অফবা থাক খরা ৱাংবা য়াওরগসু তুং কোইনা চত্থদুনা ওইবা ঙমদে। অমেরিকা, জপান, জর্মনি, চাইনাগুম্বা ইনাক খুনবা চাওখৎপা লমশিংদদি মতিক চাবা লোং টর্ম স্পোর্ট পোলিসি লৈবনা শান্ন খোৎনবগী থাক অসি য়াম্না ৱাংনা মতম শাংনা লৈবা ঙম্মী। অমরোমদা হায়রুগদি চরা নামতা চাদুনা হিংলিবা পিকখ্রবা লৈবাক মণিপুরদগী ইন্টরনেসনল থাক্তা শান্নরোয় কয়া থোরল্লিবশিং অসি লাইপোকশিংনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

অরোইবদা, বোক্সিংগী লমদা ইচন-ইবেম্মা এল সরিতাবুনা মণিপুরগী 'মালেম ঙানবি' অদুগা ইচন ইবেমা মেরি কোমবুনা মণিপুগী 'মালেম থোবি' হায়না মিংথোঞ্জবগা লোয়ননা মখোয় অনীগী তুংগী পুন্সিগীদমক য়াইফরোল পীজরি। মণিপুর লৈঙাক্লসু মখোয় অনীবু অমত্তা ওইনা মফম অমদা মতম অমত্তদা পুন্না হরাও তয়াম ওকপিবগী চীংলেন্নবা থৌরম অমা অথুবা মতমদা পাঙথোকহন্নিংবগী অপাম্বসু নোল্লুক্লা ফোঙদোকচরিবনি।


*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি, সেগা লম্বী, ইম্ফাল ৱেষ্ট।*

মমি ৱারী

# এ দে ইন ব্রাইটন - মেক ষ্ট্রীট আর্ট নো ষ্ট্রীট ভাইওলেন্স

অথোইবা সৌবাম












*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*